ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯁꯒꯣꯜꯁꯦꯟ, ꯖꯨꯂꯥꯏ ꯰꯸, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯱꯰꯳ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

শগোলশেল, জুলাই ০৮, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ১০৩শুবা মশীং

# ওফিসরশিংবু অমাংবা নেৎহনগনু

## লৈবাকসিগী মীয়ামগী লো লৈরি, চৎনরি

লৈবাকসিগী নীংতম্বা অসি বৃটিশনা হরাও-হরাওনা লুকমাইদা হাপ্লগা লাইদা অথেনপোৎ কৎপদৌনা পীনীংনা খূৎশিন্নরম্বা নত্তে। ফর্ষ্ট ৱার ওফ ইন্দিয়ন ইন্দিপেন্দেন্স হায়রিবা কুমজা ১৮৫৭ কী সিফাই লালহৌ (সিপোই ম্যুটিনি) অদুদগী হৌরক্লগা চহী কয়া চূপ্না চত্থরকখিবা ইন্দিয়া মচাশিংগী হনবা লৈতবা নীংতম লাম্হেংদগী লৈবাকসিগী নীংতম্বা কুমজা ১৯৪৭কী ওগষ্ট ১৫দা ফংখিবনি। নীংতল্লবা মতুং কুমজা ১৯৫০গী জন্যুৱারী ২৬তগী মপূং ফাবা রিপল্লিক অমা ওইরক্তুনা ঙসি ফাওবদা দেম্মক্রেসিগী লৈঙাক্লোন্দা য়ূম্ফম ওইদুনা লৈবাকসি লৈঙাক্লক্লিবনি। মীয়ামগী ৱায়েল-থৌদা চত্থরক্লিবনি। হায়রিবা পূন্নমকসি লৈবাকসিগী লেংদনা লৈজরিবা অদুগা নুমিৎ থানা লেংদনা লৈরিবমখৈ অদুম্মক লৈরগদবা লোশিংনা পিরাই ঙাক্লগা ঙসি ফাওবদা মখা তানা চত্থরক্লিবনি। মীয়াম পূন্নমক্না লো অসিবু ঙাক্না চৎপা 'লো এবাইদেদ' সিটিজন অমমম ওইরিবনি। ওইখিগদবনি, লোগী মথক্তা কনামত্তা লৈতে।

অদুবু হন্দক ইম্ফাল ময়োলগী দিষ্ট্রিক্ট অনীগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনদা থোক্লিবা থৌদোকসিদি করিনো? দিষ্ট্রিক্টসিগী মনুং চল্লিবা ৱাঙ্খৈ এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সিগীসু অতৈ কন্সটিট্যুএন্সিশিংগুম্না লৈগদবা, লৈফম থোকপা ফায়র প্রাইস শোপ (এফ পি এস) এজেন্টশিং/এস কে ওইল সব-দিল্লরশিংগী ৱাথোকনি। মসিবু থোকহনফম থোকপা ৱাথোক্লা? হান্নগী অকক্লবা টর্ম অমগীদমক খন্দুনা থবক তৌহল্লকপা এজেন্ট/সব দিল্লরশিংদুগী মতম লোইরে। মখোয়গী মতম লোইবদগী অনৌবা হাপ্পনবা নোটিশ থোক্লে। মসিগীদমক ওইনীংবশিংনা এপ্লিকেসনশিং সবমিট তৌনরক্লে। এপ্লাই তৌরকপশিংদুদগী খনগৎনবা লৈরিবা কম্মিটিনা মরী লৈনবা মীটিং পাঙথোক্তুনা খন্নরে। অদুগা মীফমদুনা তৌরকপা রেক্কমেন্দেসনগী মতুংইন্না অনৌবা এজেন্ট/সব দিল্লরশিং এপোইন্টমেন্ট পীরে, মখোয়না তৌফম থোকপা মথৌশিং তৌহল্লে। থবকশিংসি দিষ্ট্রিক্ট অসিগী দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা চেয়রপর্সন ওইবা এজেন্ট/সব-দিল্লরশিং অসিগী খন্দোক-খঞ্জিন তৌগদৌরিবা কম্মিটিগী মথৌনি। মখোয়গী তৌফম থোকপা মথৌদাংশিংনি।

অদুবু হান্নগী টর্ম লোইখ্রবা এজেন্ট/সব-দিল্লরশিংগী মায়কৈদগী রিপ্রজেন্টেসনশিং পীশিল্লকপা লৈখি। মরমদি মতম লোইরবা মখোয়বু অনৌবা টর্মগী এজেন্ট/সব দিল্লরশিং খল্লকপদা য়াওহনবীয়ু নৎত্রগা মখোয়গী মতম লোইরবসু থবকশিং অসি মখা তানা পুথহনবীনবা খন্নবীয়ু, অয়াবা পীবিয়ু হায়জরকপনি। মসিসু হায়ফম থোকপা, লোনা য়াবা ৱাফমনি। মখোয়না হায়জরকপশিংদু য়াবা নৎত্রগা য়াদবা হায়বদুনা মরী লৈনরিবা কম্মিটিগী, ওথোরিটিগী ৱানি। কম্মিটিগী লৈরিবা রুল অমসুং গাইদ-লাইনশিংগী মখা পোনগদবা থবকনি। য়ারগা য়ারে হায়দুনা খনবীরগা লোইরে। য়াদ্রগা য়াদ্রে হায়দোকপীরগা লোইরে। য়াদবদা নমদুনা মখোয়না এসেমল্লি কন্সটিট্যুএন্সি অসিগী এফ পি এস এজেন্ট/এস কে ওইল সব-দিল্লরশিং ওইদবা য়াদে হায়রকপা নত্তে। অদুবু হান্নগী এজেন্ট/সব-দিল্লরশিংনা পীশিল্লকপা রিপ্রজেন্টেসন অদু খন্নবীদবদগী হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী থোঙজিন্দা লেপ্পরে। কোর্টনা মখোয়গী সিভিল রিট পিটিসন অদু লৌখৎতুনা খন্নরগা নাকল পূন্নমক্কী ৱাফমশিং তারগা অরোইবা ৱারোইশিন অমা পুরক্লবগী ৱায়েল চত্থনবগীদমক জুন ১১, ২০২১দা পীখিবা মরক্কী ওইবা ওর্দর অমদা ৱাঙ্খৈ এ সীগী এফ পি এস এজেন্ট/এস কে ওইল সব-দিল্লরশিংগী মতাংদা থোরক্লিবা ৱাথোকশিংসি খঙলদুনা মসিগী মতাংদদি ওর্দর পীখিবা নুমিৎতুদা লৈখিবা ফীভমদু অদুম্মক কায়হন্দনা, হোংহন্দনা 'ষ্টেটস ক্বো' দা থমখিনবা খঙহনখি। কোর্টকী দিরেক্সন অসিসু মতম চূপ্পগী নত্তে। ফাইল তৌরক্লিবা কেস অসিগী মথংগী কেস থোকপা নুমিৎ ফাওবদংগীনি। কেস অসিগী চপ চাবা ঙানি-ঈশিংনি হায়বা ৱারোইশিন অদুদি কেস অসিগী ফাইনেল দিস্পোজলনা লেপকদবনি। অদুবু হায়রিবা কোর্টকী ওর্দরসি লৈনা লৈনা দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা জুন ২৩, ২০২১দা ওর্দর অমা থোক্তুনা অনৌবা এজেন্ট/সব-দিল্লরশিংগী থবক থৌরমশিং পূমথিং থিংজিল্লুরিবা করিগীনো? ৱাহংসিগী পাউখুম অরুবা নত্তে। দেপ্যুটি কম্মিস্নরবু খোঙবী খোঙনাওদৌনা খল্লগা ইনশিনবীবা, থৌজিনবীবা নৎত্রগনা নমদুনা তৌহনবীবা শোয়দনা য়াওরমগনি। দিষ্ট্রিক্ট অমগী এদমিনিষ্ট্রেসনগী হেদ ওইরিবা দেপ্যুটি কম্মিস্নরনা হায় কোর্ট ওফ মণিপুরগী 'ষ্টেটস কো' হায়রিবসিগী ৱাহন্থোক খঙলল্লোইদ্রা? শোয়দনা খঙলমগনি। অদুবু খঙনা খঙনা মথক থোংবা অঙম্বশিংনা অমাংবনি খঙনা নমদুনা নেৎহনবীবা ওইরমগনি। হৌজিক্তি করি শারে? এজেন্ট/সব-দিল্লরশিংগী থবক থৌরমশিং থিংজিল্লুবা দি সীগী ওর্দরদু হায় কোর্টনা সস্পেন্দ তৌখ্রে। থৌওংসিদি দেপ্যুটি কম্মিস্নরবু বলিগী হামেং নমদুনা ওইহনবীবগী থৌওংনি। অসিগুম্বা লৈঙাক্কী অৱাংবা থাক্কী মেছিন্নরিশিংবু নমদুনা লো থুগাইহন্দুনা অনীংবা অপাম্বদা চৎহন্নবা হোৎনবসিবু লো মশক খঙবা, লোবু ইকায়খুম্নবা অশেংবা লৈঙাক্লোইশিংগী তৌফম থোকপা অচুম্বা থবক ওইগদ্রা? মসিগুম্বসি মখা তানা তৌরক্তবনা ফগনি। চহী খরগী মমাঙদা 'হাৎপা নত্তনা উপাই লৈতে' হায়দুনা থৌজিল্লগা রিৱার্দ, এৱার্দ, পুলিস মেদল ফোর গেল্লেন্টরিগী বার মশীং য়ামখৎনা ফংহল্লগা প্রমোসন মথং মথং ফাওবা পীখিবা কম্মান্দো পর্সনেলশিংগী মরক্তা খরদি হৌজিক করি থোক্লে? সুপ্রিম কোর্টনা তকথরকপদগী এনকাউন্টরনি হায়খিবশিং অদুগী মায়োক্তা সী বি আইনা কেসশিং লৌখৎলকপদগী চেন্নহনবীরুবা পর্সনেলশিং কোর্টতা থোমজিন্নরক্তুনা বেল লৌনদুনা উকল থিনরি। মখোয়গী সর্ভিস করিয়রগী পোলোইদা করি ওইরক্কদৌরি? মরম অসিনা মথৌ চপ চানা পাঙথোকচনীংবা ওফিসল/মেছিন্নরিশিংবু খোঙ থিন্দুনা লাও-খোংলগা লোগী ৱাংমদা হৈনা চৎপা তম্বীগনু, চৎহনগনু। মসিগী মহুত্তা মখোয়গী পূক্নিং থৌগৎলগা মখোয়গী সর্ভিসপু প্রোটেক্সন ওইনা পীবিয়ু।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-২১

১) *'ৱাখল মচু-মচু, শক্তম মখল-মখল'* হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

২) *'পুন্সিগী মরুদ্যান'* হায়বসি করম্বা মখলগী লাইরিকনো অমসুং অইবনা কনানো?

৩) *'খোঙজি মখোল'* হায়বা লাইরিকসিগী অইবা কনানো?

৪) *'সুরজকা সাতৱাঁ ঘোড়া'* হায়বসি কনানা ইবনো অমসুং মণিপুরীদা করি মমিং হায়না কনানা হন্দোকপগে?

৫) *"হৈরেম চা নুরা অতেংবী, লাইজ ঈদা শিবিয়ু মপান্না কোরৌ নুমিৎ মাপন্নি শুনা থিববু থিখঙদরবদা কোরৌ নুমিৎ তরানি শুবদা খোয়নৌ মতা ঙাইরোইনাইনা তাকলৈএ; অদু নোংগীবু হৈরেম লৈমতাকও তৌনা কৌএ।"* ৱাহৈ পরেং অসি কদাইদগী লৌথোরকপনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুলাই ১৫, শগোলশেন নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# নীংশিংবগী থোঙনাওদা - ৩৬

## (শুমাং লীলা অমদি ঐ)

**চাইথোরকপা ৱাখল**

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

শুমাং লীলাসি মীয়াম্না য়াম্না পাম্নহন্নবা ৱাখল খনবা হায়বসি লীলা তৌরিবশিং অসিগী লেঙদ্রবা ৱাখলনি। মতম চূপ্পদা লীলা তৌরিবশিংনা খল্লিবসি মথংগী প্লে পুথোকপদা করি-করি কমাই তৌবা, করম্বা ৱারী শান্নবা, ফিজেৎকী অমদি অতৈ-অতৈ মীৎ থকপা য়াবা করি-করি করম্বা থৌরাং লাংবা হায়বা অসিগা লোয়ননা, লীলা য়াওরিবা আর্টিষ্টশিং অদুগী মরক্তা মীয়াম্না পাম্বা-পামদবা করি-করি লৈবগে মদু করম্না হেন্না ফগৎহন্নবা হোৎনগদগে হায়বা অসিনি। মতাং অসিদা পঞ্জহৌদবা য়াদবা অমা হায়বা তারবদি, শুমাং লীলা অমগী ওর্গনাইজেসন মনুংদা লীলা তৌবা হায়বা অমা, অদুগা লীলা য়াওবা হায়বা অমা অনী থোক্লা লৈ। মসি নম্বর থারগা লৈবদি নত্তে। লীলা য়াওবা হায়বসিনা, লীলাদু তৌসি হায়বদুদা অদুম তৌবা, মশাগী ওইবা ওর্গনাইজেসনগী করিগী অমদি অতৈ পোলিসিগী করিগী কৈসু থোইদোক্লা খন্দবা। অদুগা লীলা তৌবা হায়বা অসিনা ওর্গনাইজেসনগী, প্লেগী ময়ামগী লোইনমক্তা কোক থাদদুনা হেন্না ফগৎনবা খনবা অসিনি। মসি মরু ওইনা লীলাদুগী মকোক-মরূ ওইরিবশিং অমদি ওর্গনাইজেসন অদুবু লিংলিবা মরু ওইবশিংনা খনবা অসিনি।

অদুবু হৌজিক্তি মসিদা অমুক হান্না লৈরম্বা ওর্গনাইজেসনগী ষ্ট্রকচরেল সিষ্টম অদুদগী খরা অমুক হোংদোল্লক্রা খল্লি। হায়বদি হৌজিক্তি লীলা তৌবসি লীলা য়াওবা নত্তবা, লন্নাই মীওই খরনা শীল্লগা লীলা ওর্গনাইজেসন লিংবা য়াওনরক্লে। অদুনা লীলাগী অশিন-অরাংগী থৌরাং অয়াম্বা অসি লীলা তৌরিবা হায়বদি ওর্গনাইজর হায়গদ্রা, লীলা প্রদ্যুসর হায়গদ্রা অদুগী থৌদাং ওইনা খন্নবা লৈরক্লে। লীলা য়াওরিবশিংনা শুপ্নগী লীলা তৌবা, লীলাগী পর্ফোর্মেন্স পীবা অসোমদা ওইনা লৈনরকপা য়াওনরক্লে। মসিনা আর্টিষ্ট অমা ওইবগী রেসপোন্সিবিলিটি অমদি মহাক মশাগী সেরিয়সনেস কয়া অদুমদি নাকন্দা থৈদোক্নদুনা লৈরব্রা খল্লি। মসি মমাঙঙৈদদি লৈরমদে। মসি মতমগী অহোংবনি হায়না হায়বীবদি য়াই অদুবু নাকল অমদা য়েংবা মীৎয়েংদদি মতমগী অহোংবা খরদা আর্টিষ্ট অসিগী লিবর্টি অসি কা হেন্না লৌবনি হায়দবা য়ারক্তবা মতাং লাকই।

শুমাং লীলাগী এক্টর অমগা অতৈ পর্ফোর্মিং আর্ট ফোর্মদা লৈরিবা এক্টরশিংগগী মরক্তা খেন্নবা য়াম্না লৈ। শুমাং লীলাগীদি, লীলা অমা য়াওবদা এক্টর মশাদা লৈগদবা ওর্গনাইজেসনল রেসপোন্সিবিলিটি কয়া অদুদগী নাম্থোকপা য়াদে। মদুগুম্বা রেসপোন্সিবিলিটি কয়া অদুনা এক্টর অদুবু চেৎনা পুনগদৌরিবনি। অদুদতা এক্টর অদু মশা ইকপা ঙমগদৌরিবনি। হৌজিক্তি মসিগী থৌদাং কয়া অসিদি অমত্তা লৈনদ্রে। ইকোম কোম্মে। মাগী হায়বু লীলা তমসি হায়রগা তম্বা, লীলা চৎসি হায়রগা চৎপা, লীলা মতম চানা লাকপা অসোমদা ওইনা খন্নরে। লীলা অমা পুথোকপদা চঙদবা য়াদবা আর্টিষ্ট অমা ওইবগী থৌদাং অসি করিনো হায়বা অদোমদদি থোইদোক্লা অহেনবা ৱাখল খনদ্রবসু য়ারে হায়না লৌনৈ। অনৌবা লীলা অমদা মথৌ তাবা ফিজেৎকী মতাংদা মখোয় মখোয়না পাম্বা, লীলা অদুনা মথৌ তাবদগী হেন্দোক্তুনা অহেনবা কা হেনজিনবা দিজাইন অমদি শুমাং লীলা অমগী লৈফম থোকপা ট্রেদিসনেল বিহেবরেল এটিচ্যুদ অদুগী ৱাংমদা অপাম-অপাম্বা লীলাগী প্রদ্যুসর নৎত্রগা ওর্গনাইজর অদুদা দিমান্দ তৌবা অসিনি। মশা-মশানা ওইরবদি ইকোনোমি য়েংলগা অমদি লীলাদুগী চপ চাবা মথৌ তাবা, শুমাং লীলাগী অচম্বা কেরেক্টেরিষ্টিক অদুগী মনুংদা লৈগদবা পরম অদু কাম্থোক্তনা এরেঞ্জ তৌনরমগদবনি। শেল কা হেন্না চঙলবসু শেলদু মীনা পুথোক্কদৌরিবনিনা তাঞ্জা চারিঙৈদা

শেৎহৌরগে হায়বগী টাইপলোমদা চত্থরকপা মানবা খরদি থেংনরে। অদুনা শুমাং লীলা অসি হৌজিক্তি হায়-ফাইগী মওংলোমদা খরা-খরা চঙশিল্লকপদৌনা উবা ফংলে। মদুনা শুমাং লীলাগী ফিজেৎতসু অহোংবা কয়া লাক্লিবা অসিনি। মসি মতমনা পুরকপনি হায়না হায়বদি য়াই অদুবু মতমনা থোইদোক্না পুরকপগী ৱা নত্তবদা, আর্টিষ্ট অদুগী ৱাখলগী লেভেল অদুনা দিসাইদ তৌবা, নাক-য়েৎ, তুং-মাঙ থোইনা য়েংদবা মানবা, পংতৌদা তৌরম্বা ওইরম্বসু য়াবগী থাজবা লৈরি। অনৌবা শুমাং লীলা অমা পুথোরকপদা, আর্টিষ্ট মশেন অদুনা মানা-মানা শেৎকদবা ফিজেৎ অদু করিনো হায়বা অদুফাওবা আর্টিষ্ট মশেল অমত্তা খঙনদে, লীলা থোক্লমদাইদা ফি তিংথোক্তুনা পুথোক্নরক্লবকান্দা অতৈ আর্টিষ্টশিংনা খঙবগী ৱানি। হায়নীংলিবদি অদুক য়াম্না কা হেন্না, দ্রেস দিজাইনগী মতাংদা ৱা ওইনা খন্নরগা, দ্রেস রিহার্সেলনচিংবা থোইনা তৌবগী মমি তাবা উদে। মীওই অমা অনীনা পংখন খন্নরগা অপাম-অপাম্বা তৌবা অসিনা শুমাং লীলাগী কেরেক্টেরেল বিহেবিয়রদসু খরা কায়রপ তৌবা মানবা খোঙচৎ অমদা হৌজিকসি খোঙ থাংজিন্নরক্লব্রা হায়বগী চিংনবা লৈরে হায়নরক্লিবা অসিনি।

মতম অমদদি, আর্টিষ্টশিং অসিনা য়াম্না কূপ্না মুন্না খন্নরগা অফ-ফত্ত লৈবাক খুন্নাইনা করি খনখিগনি, করি ওইরক্কনি হায়বা কয়া অসি নৈনরগা লীলা পুথোক্লম্মী। দাইলোগ শীজিন্নরম্মী। হৌজিক্তি কৈথেলদা অমদি অতৈ মফম কয়াদা শীজিন্নবা ফজদবা, থৌগল্লোন য়াওদবা ৱাহৈ-ৱাতা ফাওবা লীলাদা মী নোক্লবনি, নুংঙাইনবনি হায়না পংহায়দা হায়জিন্নরক্লে। মদুনা ঐখোয়গী অনৌবা মীরোল অসিদা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা কয়া অমদি চোঙলম চাফাত্তবা ৱাঙাঙ কয়া শীজিন্নরকপা থেংনরে। মদু অমুক মীয়াম মরক্তা ভাইরেল চৎতুনা ফজদবদু চৎনবী ওন্থোরকপসু থেংনরে। পর্ফোর্মিং আর্ট হায়বা অসিদি য়াম্না লুই, হায়নীংই হায়দুনসু কা হেন্না পংহায় হায়বা য়াদে, মদুনা খুন্নাইগী শক্তমদা, মীয়ামগী মরক্তা কাঙলোন অমা ওইনা ওন্থোরক্লবদি হেন্না খুদোংথীবা তাগনি। মীওইবা হায়বসি মীতৌ তম্বগী হৈনবীসু য়াম্না ৱাংনা লৈ। অদুনা ফজদবা ৱাহৈ-ৱাতা অসিদি য়ারিমখৈ মী নোক্লবনি হায়দুনসু শীজিন্নরোইদবনি। ঐখোয়না খঙবদা শুমাং লীলাদগী মতৌ তম্নবা ৱাহৈ-ৱাতা য়াম্না লৈ। ফজবদা তম্বদি কায়দে, অদু তম্নবগীদমক তৌরিবনি। শুমাং লীলা হায়বসিদি এদ্যুকেসনগী শরুকসু য়াওরিবনি। খুদম অমত্তং হায়জরবদা - "মসি ঈ কারক্তনা থোক লাউনা কাওখৎলদি সোরাৎ লোইরগা তারক্কনিসে" ৱাহৈসি তাবদা নোক্লিংবা ফাওরবসু নুংগী ওইবা ৱাহন্থোক্তা দিসিপ্লিন কায়বগী, চৎনরোল থুগাইবগী অমদি কায়থরক্লিবা মীওইবগী রিলেসনশিপ অদুগী মতাংদদি থোইদোক্না ৱাদু ঙাঙলিবা আর্টিষ্ট অদুনা খন্থদে। লৌবুক্তা, লম্মাংদা মী লৈতবা মতমদা লন্নাই ওইনা শীজিন্নবা, নুপা-নুপীগী ৱা ফাওবা মীয়াম মাঙদা পুথোক্তুনা হায়নরকপদু অশেংবা তাইবঙদা হায়নবা ঙাক্তনি হায়না পাউখুম পীরবদি লাল্লি। মরমদি পর্ফোর্মেন্স হায়বা অসি লাকপদদি চৎন-কাঙলোন খরা লৈগনি মদুসু খঙবা মথৌ তাই। অদুনা আর্টিষ্টশিংনা মাগী-মাগী অপাম্বদা লোন পংশিদা শীজিন্নবা অসিসু খরা ব্রেক ফাবা ফৈ হায়না হায়নরক্লিবসিসু খন্নগদবনি। রাইটর অমনা হায়বা য়াবা ৱা, হায়বা য়াদবা ৱা মুন্না খল্লগা ইরকপদু শুমাং লীলাদদি আর্টিষ্টশিং অসিনা কা হেনবা লিবর্টি লৌমনখিদুনা হেনজিনবা ৱাহৈশিং শীজিন্নরকপা কয়া ঐখোয়না থেংনরি। অদুনা একাদেমিক ওইবা মীৎয়েংদা নৈনরকপা মতমদা শুমাং লীলাগী স্কৃপ্ট অসি ইয়াও য়াওদবগুম তৌরিবসিগী মরমসু শ্বাইসি ইয়াও য়াওরবনি।

ঐখোয়গী মতমদা লীলা অমা পুথোক্লবা হোৎনবদা মায়কৈ কয়াগী ৱাখল মীৎয়েং অসি মুন্না য়েংই। অদুগা মতমগা চুশিন্নবা টোপিক সেলেক্সন তৌদুনা লীলা পুথোক্লবা হোৎনৈ। তৌবতবু পুথোক্কদৌরিবা লীলা অদুগী ৱারী ৱাখোঙ অদুনা সোসাইটি অসিদা করি থৌদাং লৌগদগে হায়বা অসিসু মুন্না য়েংই। কায়গদবা ফনা লৈরবদি রাইটরনা ইরক্লবসু মদু মমায় লৈথোক লৈশিন তৌই। কন্ট্রোবর্সিএল ওইবা টোপিকশিং য়ারিমখৈ লৌথোক্লগা ইন্টরটেন তৌগদবা পরিং অদু লৌখৎলি। ●

# মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিল্লবা মতুংদা ওইরক্লিবা ফীভম - ১৬৯

**উসম ধনঞ্জয়**

**দিসেম্বর ৩১, ২০০৯ ইং :-** ষ্টেট অসিদা মপান থোক্লা নুপী-নুপা খাইনবগী ৱাফম আইনগী থোঙদা থেংনবগীদা চাং হন্থরমদ্রবসু চহী খরা অসিগী মনুংদা চাংদম্নবদা চৎলিবা চহী অসিনা খ্বাইদগী য়াম্না নুপী-নুপা খাইনবগী কেস রেজিষ্টর তৌবা চহী ওইরি।

চহী অসিগী অরোইবা নুমিৎ দিসেম্বর ৩১ ফাওবদা পূন্না নুপী-নুপা খাইনবগী কেস ১১৭ ফেমিলি কোর্টতা লাক্লি। ঙসি ইকোন কোনবা কেস ওইনা নুপা অমনা মহাক্কী নুপীবু খাইনগে হায়বগী কেস রেজিষ্টর তৌরকখি হায়না ফেমিলি কোর্টতগী ফংবা পাউ অমনা হায়রি। কেস মশীং অসি মমাঙ চহী ২০০৮দা লাকখিবা কেস মশীং ৮২গা চাংদম্নবদা অসুক্কী মতিক খেন্নরি। মরকসিদা চাওখৎলকপগী মতুংইন্না ষ্টেট অসিদা মোবাইল ফোন চঙলকপনা মরম ওইরগা নুপী-নুপা অনীগী মরক্তা ৱাখল তান্নদবদগী খাইনবগী মচাক অমসু ওইহল্লক্লি।

ফেমিলি কোর্টতা লৈবা রেকোর্দকী মতুংইন্না চহী অসিদা গার্জিয়ান এন্দ ৱার্দস এক্ট ১৮৯০গী মখাদা কেস ৫১ লাকখি। হিন্দু এদোপসন এন্দ মেন্টিনেন্স এক্টকী মখাদা কেস ৩১ অমসুং সী আর পি সীগী সেক্সন ১২৫গী মতুংইন্না কেস ৭৪ লাকখি। হীরম অসিগী মতাংদা এদভোকেট শামুরাইলাৎপম ওংবী নলিনিনা হায়, ষ্টেট অসিদা মতম খরগী মমাঙদা নুপী নুপা খাইনবগী কেস লাকপা অসি অসুক্কী মতিক য়াল্লমদে। অদুবু চহী খরা অসিদদি অসিগুম্বা কেস মখল অসি অসুক্কী মতিক হেনগৎলক্লে। মসিগী মনুংদা চহী অসিদা রেজিষ্টর তৌরিবা নুপী-নুপা খাইনবগী কেসকী মশীংনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইরি।

নুপী-নুপা খাইনবগী ৱাফম অসি চাওরাক্লা করম্বা মরমদা ওইহল্লকপগে হায়বগী মতাংদা মহাক্লা মখা তানা হায়, কন্সটিট্যুসন্না পীবা রাইটসকী মতুংইন্না নুপীশিংনা নুপাশিংগা মান্নবা রাইটস লৈ হায়বা ৱাফম অসি খুদিংমক্লা খঙনরবা অমনি। অসিগুম্বা ফীভম অসিদা ষ্টেট অসিগী নুপীশিংনা করিগুম্বা ৱাখল তান্নরক্তবা তাঞ্জা খরদা নুপাশিংগী মপান তাংদ্রবসু নাইতোম হিংবা ঙম্মী খল্লকপা অমসুং আইনগী ওইবা ৱাখল লৈরকপনা ওইবা য়াই। হৌজিক লাক্লিবা কেসশিং অসি নুপীশিংনা নুপা খাইনরগে হায়বনা অয়াম্বা ওই। অদুবু করিগুম্বা মতমদা নুপানা নুপীগা খাইনরগে হায়বসু য়াওরকই। মসিগী মথক্তা ইমুং-মনুংগী অহল-লমন খঙদনা কোর্ট মেরিএজ তৌরুরবা নুপী-নুপাশিংনা ৱাখল চান্নরক্তবদগী খায়দোক্লরগে হায়বগী কেসসু য়াওরি। মসি মপূং ওইনা ষ্টেট অসিগী ৱাংমদা লৈরুবা নুপী-নুপাশিংদনা অয়াম্বা থোক্কল্লি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

অমরোমদা, হীরম অসিদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোরমসকী চেয়রপর্সন ডা. সী ঐচ যামিনীনা ফোঙদোরকপা মতুংইন্না কুমজা ২০০৭-০৮দা নুপী-নুপা খাইনবগী কেস অমখক লাকখি। মসিগী মতুং চৎলিবা চহী ২০০৯দা কেস ৮ লাকখি হায়রি।

ডা. যামিনীনা হায়, অয়াম্বনা হৌজিক্কী মায়োক্নরিবা কেস অসি দোমেষ্টিক ভাইওলেন্সনা মরম ওইরগা লাকই। মসিগী মথক্তা ইনফোর্মেসন টেক্নোলোজিদা ষ্টেট অসিদা নৌনা চঙলক্লিবা মোবাইল ফোন লাকপদগী করিগুম্বা মতমদা য়ূম পানমিন্নরিবা নুপী-নুপাগী মরক্তা ৱাখল তান্নদবদগী খাইনবগী কেস কয়াসু লাকহল্লি।

ষ্টেট অসিদা দোমেষ্টিক কেসনা মরম ওইরগা খাইনবগী ৱাফম নত্তবা অতোপ্পা মরম কয়াদা নুপানা নুপীদা ওৎপগী কেস কয়াসু লাকই। হৌজিক্তি নুপীগী শক্তি য়াম্না লৈরে। নুপীশিংনা নাইতোম হিংবা ঙম্লগনি হায়বগী থৌনা লৈরে। মসিমক্না তূমিন্না লৈশিনবগী মহুত্তা আইনগী থোঙদা চত্তুনা খাইনবগী কেস অসি মায়োক্নরকপসুনি হায়না মহাক্লা মখা তাখি।

মহাক্লা হায়, কম্মিসন অসিনা নুপী-নুপাশিংদা কাউন্সেল্লিং পীদুনা নুপী-নুপা অমুক পূন্না লৈমিন্নবগী থৌরাং তৌই। নাখৈ শেংনা খায়নরগে হায়রবদি ফেমিলি কোর্টতা রিফর তৌই। মখোয়গী থবক্তি কাউন্সেল্লিং পীদুনা নুপী-নুপা অমুক য়াশিন্নহনবা অমসুং মেন্টিনেন্স পীহন্নবা রেক্কমেন্দ তৌবনি। পূন্নমক অসিদা নুপাশিংবু হেন্না ৱাখল তাহনবা য়াম্না মথৌ তাই হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

**জন্যুৱারী ০২, ২০১০ ইং :-** আইন্না থিংখ্রবা লালহৌলূপ অমগী শেনখায়না মরম ওইদুনা নুমিৎ হুমনি লোল্লুরবা ইম্ফাল ইষ্টকী শওম্লুংদা লৈবা প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর ঙসি পুলিসনা ছো ফক্কায়দুনা হাংদোক্লগা হান্নগুম থবক হৌখ্রে।

মমাঙ চহীগী দিসেম্বর ৩০দা প্রিপাকনি হায়জবা মশক খঙদবা মীওইশিংনা পি ঐচ সী অসিগী চৌকিদারদগী (ময়ূমদা লাক্লগা) ছো পুরগা চৎখিবনি। থৌদোক অসিগী নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা হায়রিবা লালহৌলূপ অসিগী কাঙবু লাক্লগা পি ঐচ সী অসিগী থবক তৌরিবা ষ্টাফ ১৫গী তোলোপতগী চাদা অনীগী শেনফম পীগদবনি হায়না খঙহল্লম্বা লৈ। টেলিফোন নম্বর ইবা চেজেৎ অমসু পীরম্বগী মথক্তা ষ্টাফ খরদা শকখঙদবশিং অদুনা ফোন্দা কিহল্লকপসু লৈ হায়রি।

লম্লাই পুলিস ষ্টেসন্দা থৌদোকশিং অসিগী ৱারী লীরবা মতুংদা ও সী মশা লাক্তুনা ছো থুগাইখি অমদি হান্নগুম থবক হৌখি। হেল্থ মিনিষ্টর ফৈরোইজম পরিজাৎসু পি ঐচ সী অসিদা লাক্তুনা য়েংশিল্লখি।

লাইশঙনি হায়না লৌনরিবা, লানগী মতমদফাওবা খূৎ থানদবা শঙ ছো লোনশিল্লম্বগী থৌওং অসি ৱাখল য়াওদবগী থৌওংনি হায়না মিনিষ্টর পরিজাৎনা য়ানীংদবা ফোঙদোকখি।

**জন্যুৱারী ০২, ২০১০ ইং :-** জুলাই ২৩ থৌদোক্কা মরী লৈননা খোঙজং চঙশিল্লিবা অপূনবা লূপকা গভর্ণমেন্টকী মীহুৎ-কাঙবু অমগা ৱারী শানবদা নাকল অনীনা য়ানরবা ৱারোইশিন অমা পুরকপা ঙমখিদবনা নুমিৎ চাম্মা হেন্না লাইরিক তম্বা ফংনরক্ত্রবা মহৈরোয়শিংবু করম্বা মতমদগী মহৈ তম্বা ফংগদগে হায়বা লৈখায় তাদ্রি।

থাজবা য়াবা মফমদগী ফংবা পাউগী লিখুন অমগী মতুংইন্না ইম্ফাল ইষ্টকী মফম অমদা ৱারী শানখিবা অদুদা অপূনবা লূপকী মায়কৈদগী কো-ওর্দিনেটরশিং এসিষ্টেন্ট কো-ওর্দিনেটরশিং শরুক য়াখি। গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদনা ৱার্ক্স মিনিষ্টর কে রঞ্জিৎ, এদ্যুকেসন মিনিষ্টর এন জয়েন্তকুমার অমসুং পি দি এগী চেয়রমেন ডাক্তর লোকেন্না শরুক য়াখি।

নবেম্বর ৩০দা অপূনবা লূপনা খোঙফম খরা হন্দোক্লগা থমখিবা দিমান্দশিং অদুগী অয়াম্বা দিমান্দশিং অদুগী মনুংদা হান্না সস্পেন্দ তৌখ্রবা কম্মান্দোশিং আইনগী মতুংইন্না চৈরাক পীবা অমসুং এদিসনেল এস পি ইম্ফাল ৱেষ্ট থবক্তগী সস্পেন্দ তৌবা য়াওই হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।

চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকপা নৎত্রগা হোমগী পোর্টফোলিও লৌথোকপা, দি জি পি অমসুং ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি অনীবু মণিপুরগী মপান্দা ট্রান্সফর তৌবগী ৱাফমদি গভর্ণমেন্টনা য়াদনা লাকখিবনি। অদুবু ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পি, এম আর নৎত্রগা আই আর বিদা ট্রান্সফর তৌগে হায়না গভর্ণমেন্টকী মায়কৈদগী ফোঙদোরকখিবনি হায়না থাজবা য়াবা পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

ঙরাং ৱারী শানখিবা অদুদা গভর্ণমেন্টকী মীহুৎ কাঙবুদুনা হান্না পীরগে হায়না থাজবা পীখিবা দিমান্দশিং অদুসু য়াওনা দিমান্দ অমত্তা পীবা ঙম্লরোই হায়বগী মওংদা চীফ মিনিষ্টরগা পাউ ফাওনখিগে হায়রকপদগী ৱারী শানবা অদু লৈখায় তাদনা লোইশিনখি হায়না থাজবা য়াবা পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

নীংশিংবা য়াই, নবেম্বর ৩০দা অপূনবা লূপনা ফিরেপ খরা কোমথোক্লগা চীফ মিনিষ্টর ফম থাদোকপা নৎত্রগা চীফ মিনিষ্টরদগী হোমগী ফম লৌথোকপা, দি জি পি ট্রান্সফর তৌবা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এস পিবু সস্পেন্দ তৌবা নৎত্রগা ষ্টেটকী ৱাংমদা ট্রান্সফর তৌবা, ইম্ফাল ৱেষ্টকী এদিসনেল এস পি সস্পেন্দ তৌবা, হান্না সস্পেন্দ তৌখ্রবা পুলিস পর্সনেলশিংগী মথক্তা আইনগী ওইবা থবকশিং লৌখৎপা, হৌজিক চত্থরিবা মীওই অমগী অগরৱাল ইনক্বারি অসি মীওই অহুমগী ইনক্বারি কম্মিসন্দা চাওথোকপা অমসুং হৌজিক চত্থরিবা ইনক্বারি কম্মিসনগী টর্মস ওফ রিফরেন্স শেমদোকপা, জুদিসল ইনক্বারি কম্মিসন অমসুং সী বি আই ইনভেষ্টিগেসন অনীমক মতম অমত্তদা কম্মিসন তৌবা য়াওখিবনি।

**জন্যুৱারী ০২, ২০১০ ইং :-** হৌখিবা চহী ২০০৯দা নুপীমচা ২৪ য়াওনা মণিপুরগী অঙাং ৭৫ মণিপুরগী মপান্দা অরানবা মওংদা পুখিবদগী রেস্ক্যু তৌবা ঙমখি। য়াল্লবা অঙাংশিং মীওই খরনা ময়ূমদা করি করিনো হায়জিল্লগা পুখিবদগী কনবা ঙমখিবা অসিনা মমা-মপা ওইবশিংনা চেকশিন্নীংঙাই ওইরে হায়বা ৱাফম মীয়ামদা খঙহল্লি।

চাইল্ড লাইন ইম্ফালগী কোওর্দিনেটর মালা লিসমনা ফোঙদোরকপগী মতুংইন্না অঙাংশিং অসি ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমদা পুরম্বদগী রেস্ক্যু তৌখিবনি।

ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকী মিনিষ্ট্রি ওফ ৱিমেন এন্দ চিলদ্রেনগী মখাদা লিংখৎপা চাইল্ড লাইন ইম্ফাল য়ুনিটনা মণিপুরদগী অঙাংশিং পুখ্রে হায়বা খঙদুনা ইন্দিয়াগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লৈবা চাইল্ড লাইন য়ুনিটশিং অমদি অতৈ এন জি ওশিংগা পাউ চৎনরগা অঙাংশিং অসিবু রেস্ক্যু তৌখিবনি হায়না মালানা ফোঙদোকখি।

আইন্না য়াদবা মওংদা মণিপুরদগী অঙাংশিং অসিবু পুথোক্লম্বনি হায়না পল্লদুনা মালানা হায়খি, য়ুনাইটেদ নেসন্সকী প্রোটোকোল মতুংইন্না অয়াম্বা কেসশিংদি ট্রাফিক্কিংনি হায়না লৌবা য়াই।

অমরোমদা মচা-মশুশিংবু নিংথিনা মহৈ তমহনবা ঙমদবা লায়রবা মমা-মপাশিংনা মখোয়গী মচা মশুশিংবু মণিপুরগী মপান্দা নীংথিনা মহৈ তমহনগনি হায়বা অরানবা ৱাফমদা থাজহন্দুনা থেল্লগা অঙাংশিং অসিবু অরানবা লম্বীদা শীজিন্নবা পুবনি হায়নসু মালানা ফোঙদোকখি।

মণিপুরগী অঙাং ৭৫ রেস্ক্যু তৌখিবা অসিগী মনুংদা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী কাইবি খুন্দগী অঙাং ২৫দি মমাঙ চহীগী জুন থাদা কোলকটা পুলিসনা অন্ধ্র প্রদেশ তান্না চৎখিগদবা ট্রেন অমদগী থেংনদুনা রেস্ক্যু তৌরকখি হায়বা ৱাফম মালানা থমখি।

হায়রিবা মতম অসিমক্তদা চুড়াচান্দপুরদগী নুপীমচা তরুক দেল্লী তান্না পুখিনবা হোৎনরম্বদগী ইন্টর ষ্টেট সর্ভিস তৌবা বস অমদগী কলহৌখি। ●